# ৩৪শুবা এন হজারি এন্দ ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৮
## এমপিএসসি (এ) অমদি চিঙ্খেহুনবা পোলো ক্লব (এ) সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ঃ
মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ঙরাংদগী টিম ৩১না শরুক য়াদুনা ৩৪শুবা এন হজারি এন্দ ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা এমপিএসসি (এ) অমদি চিঙ্খেহুনবা পোলো ক্লব (এ) মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।




টুর্নামেন্ট অসিগী ২৬শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলদা এমপিএসসি (এ) না কেএমএম রাইদিং স্কুলবু পাঞ্জল ৫–২ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এমপিএসসি (এ) গী পাঞ্জলশিং অদু অনীশুবা চক্করদা এস বিমোলনা অমা, অহুমশুবা চক্করদা টিঐচ রোসন, এস বিমোল অমদি ঐচ অবুংখুমননা পাঞ্জল ১ / ১, মরিশুবা চক্করদা পি রোসননা অমা চনখি।

মায়থিরবা কেএমএম রাইদিং স্কুলগী পাঞ্জলশিং অদু মরিশুবা চক্করদা ঐচ মোহিন্দ্রো অমদি ঐচ এল থোম্নাম্না অমমম চনখিবনি।

২৭শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা চিঙ্খেহুনবা পোলো ক্লবনা তেকচম পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৭–১ দা মায়থিবা পীখিবনি।

মায় পাক্লবা চিঙ্খেহুনবা পোলো ক্লবকী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্করদা এস বসান্ত অমদি এল লোকেশ্বরনা অমমম, অনীশুবা চক্করদা টিঐচ কাওবা অমদি লৈশেম্বা তখেলম্বমনা অমমম, অহুমশুবা চক্করদা পি জোটিনা অমা, মরিশুবা চক্করদা লৈশেম্বা তখেল্লম্বম অমদি টিঐচ কাওবনা অমমম চনখিবনি।

মায়থিরবা তেকচম পোলো ক্লবকী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু অহানবা চক্করদা এম কুবেরনা চনখিবনি।

# ৩৮ সব–জুনিয়র বোইজ ষ্টেট লেভেল ভোল্লিবোল

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ঃ
ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা এনৱাইভিএ নাওরেম্না শীন্দুনা টিম ১১না গ্রুপ ৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা থা অসিগী ৫দগী চথরকখিবা ৩৮শুবা জুনিয়র বোইজ ষ্টেট লেভেল ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা ৱাইএমদিও, এসয়ুদব্লিউসি অমদি এনৱাইভিএ মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেলদা ৱাইএমদিওনা টিআরৱাইভিসিবু সেট ৩–০ (২৫–২০, ২৫–১৬, ২৫–১৯) দা মায়থিবা পীখ্রে।

অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেলদা এসয়ুদব্লিউসিনা এএমৱাইসিবু সেট ৩–১ (২৫–২১, ১৮–২৫, ২৫–১৯, ২৫–২২) দা মায়থিবা পীখি।

অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেলদা এনৱাইভিএনা আইকেকেএলভিসিবু সেট ৩–০ (২৫–১৮, ২৫–১৯, ২৫–২০) দা মায়থিবা পীখ্রে।

## আই লীগ ২০১৮
# রিয়েল কাস্মির অমসুং চরচিল ব্রদর্স পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে

শ্রীনগর, নবেম্বর ০৬ঃ
ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী ওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা আই লীগকী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা য়ুম্বু টিম ওইখিবা রিয়েল কাস্মির অমসুং চরচিল ব্রদর্স পাঞ্জল চান্নদনা দ্রো চৎখ্রে।



শান্নবা হৌরকপদা টিম অনীমক লম্বা মান্নখি। শান্নবগী ৭শুবা মিনটতা রিয়েল কাস্মিরনা চথরকখিবা এটেক্ট অমদা দানিস ফারুকনা কাউশিনখিবা য়াম্না ফাজবা সোট অমা ক্রোসবারদা পানখিবদগী রিয়েল কাস্মিরনা পাঞ্জল মাংজিল থারম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা মাংজখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ১৩শুবা মিনটতা চরচিল ব্রদর্সকী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা মখা তাবা এটেক্ট অমদা ইসরেল গুরুংনা পীরকপা ক্রোস অমা টিম মেট লাংশিংনা হেদ্দিং তৌশিনবা বার মথক্তা চৎখিবদগী টিম অসিগীসু পাঞ্জল মাংজিল থারম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা মাংজখি।

শান্নবগী ৩৭শুবা মিনটতা য়ুম্বু টিম ওইখিবা রিয়েল কাস্মিরগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক্ট অমদা ক্রিজোনা হেদ্দিং তৌশিনবদা চরচিলগী ক্রোসবার মথক্তা লাম্থোকখিবদগী পাঞ্জল ওইহৌখিদে।

নাকল অনীমক্তা অহানবা হাল্ফ শান্নরকপদা অমনা অমগী মায়কৈদা এটেক্ট তৌদুনা শান্নখ্রবসু পাঞ্জল অমত্তা শান্নবা ঙম্নদনা লৈন্নখি। অহানবা হাল্ফ লোইরমদাইদা রিয়েল কাস্মিরগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক্ট অমদা টিম অসিগী শান্নরোই কিথান না কাউশিল্লকখিবা বোল অমা চরচিল ব্রদর্সকী শান্নরোই জাম্বিচা মচা কাতেবেনা মখুৎনা ঙাক্লুবগীদমক রেফরিনা রেদ কার্দ উৎতুনা তান্থোকখিবদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা চরচিল ব্রদর্সকী শান্নরোই ১০ দমক ঙাইহৌখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৬৫শুবা মিনটতা রিয়েল কাস্মিরগী শান্নরোইশিংগী এটেক্ট অমদা ক্রিজোনা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনখিবা অদু মায় পাকপা ঙমখিদে।

মেটচকী লেমহৌবা মতমশিং অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী মখা তানা অকনবা লম্বা মায়োক্নখ্রবসু পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা মেটচ অদু দ্রো চৎখি।

রিয়েল কাস্মির আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা মেটচ অনী শান্নখিবদা অমা মায় পাকপা অমসুং অমা দ্রো চৎলগা পোইন্ট ৪ ফঙলি।

অমরোমদা চরচিল ব্রদর্স মেটচ অহুম শান্নখিবদা মেটচ অহুমক দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৩ ফঙলগা মেটচ অমত্তা মায়থিদবদগী রিকোর্দ থম্বা ঙম্লি।

আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ মেটচ অমদা মণিপুরগী ক্লব নেরোকা এফসি অমসুং মীজোরামগী ক্লবকী আইজোল এফসি শান্নরগনি।

নেরোকা এফসি অমসুং আইজোল এফসি চথরিবা আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙদা শান্নখিবা মেটচশিংদা অমত্তা মায় পাকপা ঙম্নদ্রিবা টিম ঙাক্তনি। হয়েং আইজোল এফসিনা য়ুম্বু ওইদুনা শান্নগদৌরিবা মেটচ অসিদা মখোয়গী টিমনা মায় পাক্কনি হায়না চাওনা আশা থল্লি।

# থিঙুজম দাইনা দেবী খল্লক্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ঃ
থা অসিগী ২৩ দগী ২৮ ফাওবা ওষ্ট্রেলিয়াগী কেনবেরাদা পাঙথোক্কদৌরিবা কম্মন্ৱেঠ ফেন্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ানবগীদমক ফেন্সিং এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়ানা মণিপুরগী ফেন্সর থিঙুজম দাইনা দেবীবু খল্লক্লে ।

থিঙুজম দাইনা দেবী অসি থাংমৈবন্দ হিজম দেৱান লৈকাইদা লৈবা গৌতম সৌবামগী লোয়নবীনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগীদমক দাইনা থা অসিগী ১৯ দা ইন্দিয়া থাদোক্লগনি হায়না মণিপুর ফেন্সিং এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙল্লক্লি।

# কম্মনৱেল্ড জুদো চেম্পিয়ন্সিপ

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ঃ
জয়পুরদা হৌজিক চথরিবা কম্মনৱেল্ড জুদো চেম্পিয়ন্সিপকী অহানবা মেটচতা শান্নখিবা বেটচতা মণিপুর জুদো শান্নরোইশিংনা গোল্ড অমদি সিলভর মেডল কয়া লৌরকখ্রে।

মেডল লৌরক্লবা শান্নরোইশিং অদুদি– কে বিসালনা কেজি ৬৬ গী কেতেগোরিদা গোল্ড মেডল, এল বাবুমচানা ৪০ প্লস কেজি কেতেগোরিদা সিলভর, এল মতৌলৈবীনা ৫০ কেজিদা গোল্ড, আই কলপনানা কেজি ৬৩ কেতেগোরিদা গোল্ড অমদি এল গুগুরিয়ানা কেজি ৬৩ কেতেগোরিদা গোল্ড মেডল লৌরকখ্রে।

# জুনিয়র বোইজ ফুটবোলগী মিং লাউথোক্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ঃ
লাক্লিবা থা অসিগী ১৬তগী ২৬ ফাওবা গুজারাটকী রাজ কোর্টতা পাঙথোক্কদৌরিবা জুনিয়র বোইজ নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ফোর ডাঃ ভিসি রোই ট্রোফি ২০১৮–১৯ (টিআইইআর–টু) দা মণিপুরগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারুগদবা শান্নরোইশিংগী মিং লাউথোক্লে।

শান্নরোইশিং অদুদি– গোলকিপরদা সান খান, সাপম দিসেন, থিয়াম সিনিগান, দিফেন্দরদা দিটোল মোইরাংথেম, এম দিপক, এমদি অলাম, মোহমদ অপতর, জাহিরখান, জোন কাংমৈ, মিদফিল্ডরদা খারিবম প্রবানন্দা মৈতৈ, নাওরেম রোনাল্ডো, এল বিদ্যানন্দ, উশম লাম্ব্রোইবা, সিলতল চিরোম, এমদি রৌশাল, এমদি জকির খান, ফোৱার্দতা এম মাইকেল, খুরাইজম বিদোল দাট্টা, এমদি মুশারত অলাম, পিঐচ রোস্টম নি। খল্লবা শান্নরোইশিংনা থা অসিগী ৭কী অয়ুক পুং ৭ তাবা মতমদা ফুল কিটসকা লোয়ননা অম্ফাগী ওফিসতা রিপোর্ট তৌননবা খঙল্লক্লি।

# ফার্ষ্ট নবা মেমোরিয়েল মেন্স ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিপয়ন
## ৱাইএমদিওনা টিৱাইদব্লিউসিবু মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ঃ
ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা টিৱাইদব্লিউসি থম্না পোকপীনা শীন্দুনা টিম ৮না গ্রুপ অনী থোক্লা খায়দোক্তুনা থা অসিগী ১দগী চথরকখিবা ফার্ষ্ট নবা মেমোমোরিয়েল ষ্টেট লেভেল মেন্স ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী চেম্পিয়ন ৱাইএমদিওনা ওইখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ৱাইএমদিওনা টিৱাইদব্লিউসিবু সেট ৩–০ (২৫–২৩, ৩০–২৮, ২৫–২১) দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট প্লেয়রদা ৱাইএমদিওগী জর্সি নম্বর ৫ কে ইনাও না ফঙখি।

বেষ্ট সেট্টরদা ৱাইএমদিওগী কে জয়সননা তাখি। বেষ্ট ব্লোকরদা ৱাইএমদিওগী জর্সি নম্বর ১২ এন মাইকেলনা তাখি। বেষ্ট দিফেন্দরদা টিৱাইদব্লিউসিগী জর্সি নম্বর ১০ রোবিন্সন গাংমৈনা তাখি। বেষ্ট স্পিকরদা টিৱাইদব্লিউসিগী জর্সি নম্বর ৮ সিঐচ সাইকিলনা তাখি।

# ৮শুবা মাজরুন বিবি মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ঃ
মমাঙ থা ওক্টোবরগী তাং ৩ দগী হৌদুনা জিরিবাম হায়র সেক্রেটরী স্কুলগী প্লেগ্রাউন্দদা টিম ৮ না শরুক য়াদুনা চথরকখিবা ৮শুবা মজারুন বিবি মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নআমেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এনৱাইসি ফাইতোল –টু না সিএফসি লোবোখল টিমবু গোল ৪–২ দা মায়থিবা পীখ্রে।



ঙসিগী মেটচ অসিদা এনৱাইসি ফাইতোল –টু অমদি সিএফসি লোবোনখল টিম অনীনা শান্নখি। এনৱাইসি ফাইতোল–টুনা তোচ ঙমদুনা সাই খনখি। অদুগা সিএফসি লোবোনখল টিমনা বোল কাওবা হৌখি।

অহানবা হাল্ফ মমঙংদা এনৱাইসি ফাইতোল–টু টিমগী শান্নরোই ঐচ রিকিনা ৪শুবা মিনটতা মংবোইনা ৯শুবা মিনটতা অমদি এল সিংসননা ২১শুবা মিনটতা গোল ৩ চনদুনা একাউন্ট হাংদোকখি। অহানবা হাল্ফ মমাংদা এনৱাইসি ফাইতোল–টু না সিএফসি লোবোনকল টিমদগী গোল ৩–০ ওইদুনা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ মতুংদা এনৱাইসি ফাইতোল –টু টিমগী শান্নরোই ঐচ রিক না ৪৫শুবা মিনটতা গোল অমা অমুক চনখি। অদুগা সিএফসি লোবোনখল টিমগী শান্নরোই লালথোইলিয়েননা ৪৬শুবা মিনটতা অমদি ইসাক না ৫৪ শুবা মিনটতা গোল অনী অমুক চন্দুনা এনৱাইসি ফাইতোল–টুনা সিএফসি লোবোনখল টিমবু গোল ৪–২ দা মায়থিবা পীখি।

রেফরিনা এনৱাইসি ফাইতোল–টু টিমগী শান্নরোই ঐচ রিকিবু ৮ শুবা মিনটতা, মংবোইবু ১০ শুবা মিনটতা অমদি সিএফসি লোবোনখল টিমগী শান্নরোই জেমা হমরবু ৩৪শুবা মিনটতা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

7% TO 10% DISCOUNT
SANGAI TANK
শঙাই
10 YEARS GUARANTEE
SL/4119/23-9nov
প্লাষ্টিক ৱাটর ষ্টোরেজ টেঙ্ক
An ISO 9001:2015 Certified Company
Valid from 20th Oct. to 20th Nov. 2018

লিসমার্ট ইন্দষ্ট্রিজনা পুথোকচবা, ইরমদম অসিগী মীপুম খুদিংমক্না 'শঙাই' হায়না খঙনবা প্লাষ্টিক ৱাটর ষ্টোরেজ তেঙ্কপু অতৈ মপান্দগী পুশিল্লকপা পোৎশিংগা চাংদম্নরবা মতুংদা ইশাগী ইরমদমগী পোত্থোক অসিবু শিজিন্নবিবগীদমক থাগৎচরি।
লোয়ননা ইরমদম অসিগী য়ুমথোঙ–য়ুমথোঙ খুদিংদা 'শঙাই' টেঙ্কপু শিজিন্নবা ঙমহন্নবগী পান্দমদা লমদম অসিগী চাওরবা কুম্মৈ নিঙোল চাক্কৌবগা মরী লৈননা 'শঙাই' টেঙ্ক চাদা ৭ অমসুং ১০ তানা য়োঞ্জগনি। হায়রিবা খুদোংচাবা অসি তাং ২০–১০–২০১৮ দগী হৌরগা তাং ২০–১১–২০১৮ ফাওবা চথজগনি।



ফংবীগদবা সাইজ ঃ
লিটর ২০০, ৩০০, ৫০০, ৭৫০, ১০০০, ১৫০০ অমসুং ২০০০ নি।
খুদোংচাবা অসি হেদ ওফিস খক্তদনি।

মীয়ামগী সেবাদা– লিসমার্ট ইন্দষ্ট্রিজ শঙাই প্লাষ্টিক ৱাটর ষ্টোরেজ টেঙ্ক
৮৪ / সোপ কম রেসিঃ কমপ্লেক্স (সুপরমার্কেট), লম্ফেলপাৎ

# জিম্নাষ্টিক চেম্পিয়ন্সিপ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ঃ
লাক্লিবা থা অসিগী ২৯ অমদি ৩০ দা ওল মণিপুর জিম্নাষ্টিক এসোসিয়েসন (এএমজিএ) না শীন্দুনা লৈখিদ্রবা নাংমৈরকপম থিরেন সিংহ মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট ষ্টেট এজ গ্রুপ (নুপামচা অমদি নুপীমচা) গী আর্টিষ্টিক জিম্নাষ্টিক চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লগনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা নুপামচাগী ওইনা চহি ১০ অমদি ১৪ মখা, নুপীমচাগী ওইনা চহি ১২ অমদি ১৬ মখাদা লৈবা শান্নরোইশিংনা য়াওবা য়াগনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী অকুপ্পা মরোলগীদমক এএমজিএগী জেনরেল সেক্রেটরীদগী খঙবীবা য়াগনি হায়না প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।




Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*